# ইজরেলনা গাজা ষ্ট্রিপতা হামাস মিলিটরিগী মথক্তা নোংথক্তগী অকনবা মওংদা এটেক চথখ্রে



জেরুসালেম, ফেব্রুৱারি ১৮ (এজেন্সি): খা থংবা গাজাগী ঙমখৈদা পোকখায়বগী থৌদোক অমা থোকখ্রবা মতুংদা ইজরেলি এয়র ফোর্স (আই এ এফ) কী ফাইটর জেটশিংনা লমন খুন্বগী মওংদা গাজা ষ্ট্রিপতা লৈবা মিলিটরিগী মরুওইবা মফম তরুক্তা নোংথক্তগী অকনবা মওংদা এটেক চথখ্রে।

ইজরেলি ডিফেন্স ফোর্সেস (আই ডি এফ) না থাদোরকখিবা ৱারোল অমা পল্লদুনা জিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিনা হায়খি, হামাস ওর্গনাইজেসনগী মরুওইবা মফমশিংদা ইজরেলনা নোংথক্তগী এটেক চথখিবনি। ইজরেলি ফাইটর জেটশিংনা চথখিবা এটেক অদুদা হামাস ওর্গনাইজেসনগী মরুওইবা মফম কয়া অমাঙ-অতা থোকহনখি।

ঙসি অয়ুক অঙনবদা খা থংবা গাজা ষ্ট্রিপ মনাক্তা লৈবা বোর্দর সিক্যুরিটি ফেন্স অমদা আই ডি এফকী লান্মীশিং লৈফম মনাক নক্লা বোম পোকখায়বগী থৌদোক অমা থোকখি। থৌদোক অদুদা আই ডি এফকী লান্মী মরি অশোক-অপন নংখিবগা লোয়ননা অশোকপা অনীগী ফিভম লুনা লৈরি। থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুং লমন খুন্বা ওইনা আই ডি এফনা গাজা ষ্ট্রিপতা লৈবা হামাসকী মরুওইবা মফমশিংদা নোংথক্তগী অকনবা মওংদা এটেক চথখিবনি।

মমাঙদা ইজরেলি ডিফেন্স মিনিষ্টর অবিগদর লিবর্মেননা হায়খিবনি মদুদি থাংজ নুমিৎকী নুংথিলদা গাজা বোর্দর মনাক্তা বোম পোকখায়হন্দুনা আই ডি এফকী লান্মী মরি শোকহনখিবগী থৌদোক্তা চেন্নবা টেররিষ্ট পূম্নমক হাৎনবা থৌরাং লৌখৎলগনি। বোম পোকখায়হন্দুনা ইজরেলি সিক্যুরিটি ফোর্সেসতা অশোক-অপন নংহনখিবা পোপ্যুলর রেজিষ্টেন্স কম্মিটি কৌবা তোঙান-তোঙানবা টেররিষ্ট গ্রুপশিংগী অপূনবা লূপ অমা মপূং ফানা মাঙ-তাকহল্লগনি হায়নসু ডিফেন্স মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

# সেন্ট্রেল ইরানদা প্লেন কায়বগী থৌদোক্তা মীওই ৬৬ শিখ্রে



টেহরান, ফেব্রুৱারি ১৮ (এজেন্সি): মীওই ৬৬ তোংবা ইরানিয়ন পেসেঞ্জর প্লেন অমা ঙসি জাগ্রোস চীংশাং পরেংদা কায়রগা তাশিনখিবদা প্লেন অদুদা তোংখিবা মীওই পূম্নমক শিরে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

রিপোর্ট অমনা হায়খি, মরাইবক থীখ্রবা প্লেন অদুদা অঙাং অমা য়াওনা পেসেঞ্জর ৬০ অমসুং ক্রু মেম্বর ৬ য়াওখি। গ্রীনৱিচ মীন টাইম (জি এম টি) দা অয়ুক্কী পুং ৪.৩০ তাবদা এসমেন এয়রলাইন্সকী ফ্লাইট অদু টেহরানগী মেহরবাদ এয়রপোর্টতগীনা ইসফহান প্রোভিন্স মনুং চন্না লৈবা য়াসোজ তন্না পাইখিবনি। এঞ্জিন অনী পানবা প্লেন অদু জাগ্রোস চীংশাংগী শরুক অমা ওইরিবা দেনা চীংলক্তা কায়রগা তাশিনখিবনি হায়না এয়রলাইন্সকী পব্লিক রিলেসন্স ডিরেক্টর মহমদ টাবাটবাইনা ফোঙদোকখি।

ইরান, ইরাক অমদি খা নোংপোক থংবা টর্কিদা জাগ্রোসনা খ্বাইদগী চাওবা চীংশাং পরেংনি। থৌদোক থোকখিবা মফম অদুদা থিব-হুম্বগী থবক চথবদা পেসেঞ্জর অমদি ক্রু মেম্বর য়াওনা প্লেন অদুদা তোংখিবা মীওই পূম্নমক শিরে হায়বা খঙবা ঙমখি হায়না টাবাটবাইনা মখা তানা ফোঙদোকখি। চীংলক ওইবগা লোয়ননা নোং-চীংগী ফিভম ফত্তবা মরম্না রেস্ক্যু ওপরেসন চথবদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্নখি।

নেসনল ইমর্জেন্সি সর্ভিসেসকী স্পোক্সমেন মোজটাবা খালেদিনা হায়খি, প্লেন কায়খিবা মফম অদু চীংলক ওইবনা এম্বুলেন্স য়ৌশিনবা ঙমখিদে। চৈরকসিদা, ইরানগী রেদ ক্রিসেন্টকী রিলিফ এন্দ রেস্ক্যু ওর্গনাইজেসননা হায়খ্রে মদুদি থৌদোক থোকফমদা তোঙান-তোঙানবা টিম ১২ থাজিন্দুনা ফিভম য়েংশিলহন্নবা থৌরাং লৌখৎলে। মালেমগী লৈবাক কয়ানা অথিংবা থল্লকপদগী ইরাননা মতমগা চুন্নবা প্লেন অমত্তা শেমগৎপা ঙমদনা লাকখিবনি।

# নেটনয়াহুনা ইরানদা চেকশিনব্রা পীখ্রে

*ম্যুনিক, ফেব্রুৱারি ১৮ (এজেন্সি):*

*ইরানগা খূৎয়েক পীনখিবা ইন্টরনেসনল এগ্রীমেন্ট অমবু ইজরেলি প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটনয়াহুনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।*

*মহাক্না হায়খি, ইরাননা ইজরেলগী খাঙবা ঙম্বগী পাঙ্গল চাংয়েং খক তৌরোইদবনি। ম্যুনিকতা পাঙথোকখিবা মালেমগী লূচিংবশিং, ডিফেন্স ওফিসলশিং অমসুং ডিপ্লোমেটশিংনা শরুক য়াখিবা সিক্যুরিটি কনফরেন্স অমদা নেটনয়াহুনা হায়খি, ইরানগা খূৎয়েক পীনখিবা এগ্রীমেন্ট অদুনা খুদোংথীনিঙাই ওইবা ইরানগী টাইগর অমা মায়কৈ অসোমদা মনীং-মখা তন্না থাদোরকপগা চপ মান্নহল্লে।*

*কুমজা ২০১৫ দা ইরানগা সাইন তৌনখিবা ন্যুক্লিয়র এগ্রীমেন্টপু মতম কয়াগী মমাঙদগী য়ানিংদবা ফোঙদোক্লুনা লাকখিবা নেটনয়াহুনা হায়খি, কুমজা ১৯৩৮ গী ম্যুনিক এগ্রীমেন্টকা মান্নবা য়ানচে অদুনা ইজরেলখক্তদা নত্তনা মালেমদা কা হেন্না খুদোংথীবা থৌদোক কয়াদা থোকহল্লকপা য়াই।*

*মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও মতমদা নোংচুপ লৈবাকশিংনা এদোল্ফ হিটলরগা সাইন তৌনখিবা ম্যুনিক এগ্রীমেন্টনা নাজি রেজিম মতিক-ময়াই হেনগৎহনখিবগুম মালেমগী থাক্তা হন্দক ইরানগা সাইন তৌনখিবা ন্যুক্লিয়র এগ্রীমেন্টনা খুদোংথীবা থৌদোক কয়ামরুম থোকহল্লকপা য়াই।*

*অমরোমদা, ইরাননা হায়খ্রে মদুদি টেহরাননা ইং-তপ্পা মওংদা লৌখৎলকপা থবক থৌওংশিংদা অতোপ্পা লৈবাক অমনা খূৎ থিংজিল্লকপগী মথৌ তাদে। কুমজা ২০১৫ দা মালেমগী মতিক-ময়াই লৈরবা লৈবাকশিংগা সাইন তৌনখিবা ন্যুক্লিয়র একোর্দনা মালেমগী ইং-তপ্পা ফিভমদা অকায়বা থোকহনবগী ৱাফম লৈরোই হায়না ইরানগী ফোরেন মিনিষ্টর মহমদ জাবদ জারিফনা ম্যুনিক সিক্যুরিটি কনফরেন্সতা ফোঙদোকখি।*

*পনবা য়াবদি, ইজরেলি প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটনয়াহুবু শেঞ্জা-থুমজাগী থৌওং চৈথে হায়না মরাল শীরদুনা মহাক্কী মায়োক্তা লৈবা পোলিটিকেল লীদরশিংনা ফম থাদোক্নবা তকশিনবা লৈখ্রবনি। লেবর পার্টিগী লূচিংবা অবি গেবেনা হায়খি মদুদি নেটনয়াহুগী লিকুদ পার্টিনা লৈবাক্কী লো ঙাক্না চৎপগা প্রাইম মিনিষ্টর নেটনয়াহু শৌগৎপগা করম্বনা হেন্না মরুওইবগে হায়বদু খন্থবগী মতম ওইরে।*

# ফ্লোরিদাগী থৌদোক্তা হিংহৌবা অমনা নোংমৈগী মতাংদা চৎনরিবা লো শেমদোক্কদবনি হায়না তকশিনখ্রে

মাইয়ামি, ফেব্রুৱারি ১৮ (এজেন্সি): ফ্লোরিদাগী হায় স্কুল অমদা এটেক চথরক্তুনা মহৈরোয় অমদি ওজা ১৭ হাৎখ্রবা মতুংদা হিংহৌবা মীওইশিংনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা নোংমৈ পায়বগী মতাংদা চৎনরিবা লো চেৎশিলহনবা মথৌ তারে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ফোর্ট লোদরদেলদা পাঙথোকখিবা রেলি অমদা মারজরি ষ্টোনমেন দোগ্লাস হায় স্কুলগী মহৈরোয় এমা গোঞ্জালেজনা হায়খি, লোমেকরশিংনা হীরম অসিদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙদুনা স্কুলদা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক মতুংদা অমুক হন্না থোকহন্দনবা হোৎনফম থোকই। ফেব্রুৱারি ১৪ দা পার্ক লেন্দগী মারজরি ষ্টোনমেন দোগ্লাস হায় স্কুলদা হান্নগী মহৈরোয় অমনা নোংমৈ রাউন্দ কয়ামরুম কাপশিল্লকপদা ওজা অমদি মহৈরোয় য়াওনা পূন্না মীওই ১৭ শিবগী থৌদোক অমা থোকখিবনি। থৌদোক অদুগী মায়োক্তা মীওই কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা খোঙচৎ অমদা নোংমৈ পায়বগী লো শেমদোকপা মতম ওইরে হায়না থাবা প্লেকার্দ কয়া পায়খি।



পনবা য়াবদি, মীওই ১৭ নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবা ফ্লোরিদা হায় স্কুলদা মহৈরোয় কয়াগী পুন্সি কনখিবগীদমক স্কুল অদুদা ওজা ওইবা ইন্দিয়ন-অমেরিকান অমবু মায়কৈ কয়াদগী থাগৎপা ফোঙদোক্লুখ্রবনি।

হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎকী নুংথিলদা খূৎলায় পায়বা মীওই অমা স্কুলগী কেম্পস মনুংদা চঙলকপা উবদা শান্তি বিশ্বনাথন কৌবী অঙ্কগী ওজা অদুনা থোঙ লোনশিল্লগা মহৈরোয় পূম্নমক লৈমায়দা লুকথহন্দুনা খুদোংথীবা নংহনখিদবনি হায়রি।

পুলিস লাক্লবা মতুংদসু মহাক্না ক্লাসরূমগী থোঙ পাক হেক হাংদোকখিদবগা লোয়ননা নুমিৎ অদুদা মহাক্কী হৈ-শিংবা থৌশিলনা মরম ওইরগা ক্লাস মনুংদা লৈবা অঙাং খূদিংমক্কী থৱায় কনবা ঙমখিবনি। ফ্লোরিদাগী হায় স্কুল অমদা মশাগী চহী ১৯ শুরবা হান্নগী মহৈরোয় অমনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা লৈখিদ্রবা মীওই ১৭ কী মফমদা ইকায়খুম্নবা উৎপগী থৌরম অমা পাঙথোকপা লৈখ্রে। য়ু এসকী পুৱারীদা খ্বাইদগী তমথীবা মওংদা মারজরি ষ্টোনমেন দোগ্লাস হায় স্কুলদা নিকোলাস ক্রুজ কৌবা হান্নগী মহৈরোয় অমনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা মহৈরোয় য়াওনা মীওই ১৭ শিখিবনি।

# টেক্সাসতা ইন্দিয়ন-অমেরিকান অমা সিটি কাউন্সিলগী মীখলদা অমুক হন্না মীরেপ ওইনবা থৌরাং তৌরি



হাউষ্টন, ফেব্রুৱারি ১৮ (এজেন্সি): য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী টেক্সাসতা ইন্দিয়ন-অমেরিকান হিমেস গান্ধীনা সিটি কাউন্সিল অমগী মীখলদা অমুক হন্না মীরেপ ওইনবগী মতাংদা মীরেপচে পীশিনখ্রে। সিটি কাউন্সিলগী মেম্বর ওইনা থংন-থংননা অহুল্লক থৌ পুরকখ্রবা মীওই অসি মে ৫ দা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলদা অমুক হন্না মীরেপ ওইনবগীদমক মীরেপ চে পীশিনখিবনি।

মতম শাংনা টেক্সাসতা লৈরক্লবা মীওই অসিনা মীচম মীয়ামগী পুন্সি মহিং ফগৎহন্নবা থৌরাং লৌখৎকনি হায়না মীরেপ চে পীশিনবা লাকপদা পাউমীশিংগা উনবা অমদা ফোঙদোকখি। টেক্সাসকী সুগর লেন্দ সিটিদা মতম শাংনা লৈরক্লবা মীওই অসিনা হায়খি, মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদগী লাকপা মীওইশিংনা খুন্দাবা মফম অসিদা হন্দকসু অমুক হন্না সিটি কাউন্সিলগী মীখলদা শোয়দনা মায় পাক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। কুমজা ২০১২ দা মশাগী চহী ৩৫ শুরকপা মতমদা হিমেস গান্ধীনা খ্বাইদগী নহা ওইবা কাউন্সিলগী মেম্বর অমা ওইবা ঙমখিবনি।

**IN THE COURT OF THE SUB: DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG**

*Ref:- Mut. Case No. 176/SDC/IW-L/2018*

Irengbam (N) Ahongsangbam (O) Sumati Devi W/o Ahongsangbam Ibothoi Meetei of Lamsang Awang Leikai.

*-Petitioner*

*-Vs-*

Late Irengbam (O) Ibemnungshi Devi W/o Manglem Singh of Lamsang Awang Leikai.

*-O.P. Party*

**ꯅꯣꯇꯤꯁ/NOTICE**

The 09/02/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার ইরেংবম ওংবী ইবেমনুংশি দেবী, পতি মংলেম সিংহ, সাং লমশাং অৱাং লৈকাইগী মিংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নং ৫৩-লমশাংগী অনৌবা পাট্টা নং ৮২, দাগ নং ১৮৫, ১৮৬ অমসুং এরিয়ানা ০.২৬০০০, ০.২২০০০ চাওবা ইশ্বোল অনী অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা ইশ্বোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

*Sd/-* **N. Shantabir Singh**
Sub-Deputy Collector IW: Lamsang

*HL-P/3217/19*

**ꯃꯥꯡꯈꯤ/ BANK PASSBOOK LOST**

I have lost my Bank Passbook of State Bank of India, Mantripukhri Branch bearing Account No. 20091229401 on the way from Lamlong to Bazar on 15-02-2018. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

**Sd/- Wahengbam Meghachandra**
Khurai Nandeibam Leikai
☎ 9863814697

*HL-P/3216/19*

**ꯑꯩꯅ ꯊꯥꯒꯠꯄꯤꯕꯅꯦ/ঐনা থাগৎপীবনে**



L. Sudhakar

ঐ **HORNGAMLA,** ঐগী নুপাগী মীংনা **NINGTAM,** লৈফম্না উখ্রুলদা লৈপিপা ঐঙোন্দা নুঙ অমা লৈপনে। অদুগা সগোলবন্দ খম্নাম লৈরক আই. টি. আই মনাক ইম্ফালগী মফমদা লৈপিবা এল. **সুধাকর (শামু),** অপোকপা লাইশ্রম নবকিশোরগী হিদাক চাপিবনে। অদুগা নুঙদু তারকপনে। অদুদা ঐনা মাবু থাগৎপীবনে।

*Sd/-* **HORNGAMLA**
Ukhrul

*HL-P/570/19*

**IN THE COURT OF THE SUB: DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG**

*Ref:- Mut. Case No. 205/SDC/IW-L/2018*

Meishanam Thoiba Singh S/o M. Ibungo Singh of Kameng Awang Leikai.

*-Petitioner*

*-Vs-*

Late Thoudam (N) Bidhu Devi D/o (L) Julon Singh of Kameng.

*-O.P. Party*

**ꯅꯣꯇꯤꯁ/NOTICE**

The 17/02/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার থৌদাম নিঙোল বিধু দেবী, পীং মৃ: জুলোন সিংহ, সাং কমেংগী মিংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নং ৪৫-কমেংগী অনৌবা পাট্টা নং ২৯০, দাগ নং ১১৬৩ অমসুং এরিয়ানা ০.১৯ চাওবা ইশ্বোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা ইশ্বোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

*Sd/-* **N. Shantabir Singh**
Sub-Deputy Collector IW: Lamsang

*HL-P/3217/19*

**ꯗꯁꯥ ꯌꯦꯡꯖꯔꯤ/দশা য়েংজরি**



অনৌবা চহীগী দশা, মহৈ-মশিং, অৱাংবা একজাম, সিভিল সর্ভিস, নীট থাগদবা, মীরমদা চৎপা, থবক-করবার, শেল লাক্লবা, য়ুম্বাল ফননবা, অঙাং য়াওননবা, হায়ন-তানবা য়াননবা, চিঞ্জাক ফননবা মতম লৈরিঙৈ য়েংথোকপীয়ু। চহী ৩৫ হেন্না মীয়ামগী সেবা তৌজরক্লবা, মপাল্লমগী মমীং লৈরবা ওঝা-গুরু কয়াগী পাউতাক ফংলবা, নেসনেল অমসুং ইন্টরনেসনেল থাক্তা মনা কয়াসু ফংজরবা, কুঠী অমদি খুবাক ময়ি য়াম্না সাইন্টিফিক ওইবা মওংদা কুপথনা য়েংজরি।

*মীয়ামগীঃ- জ্যোতিষ মহাঋষি*
**Dr. Ph. Rajendra**
Nongmeibung, Near Community Hall
Academy Road, Imphal

*HL-P/574/17/2-22/4 (Alt)*

**IN THE COURT OF THE SUB: DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG**

*Ref:- Mut. Case No. 204/SDC/IW-L/2018*

Meishanam Thoiba Singh S/o M. Ibungo Singh of Kameng Awang Leikai.

*-Petitioner*

*-Vs-*

Late Sanasam Jiten Singh S/o (L) Mohendro Singh of Singjamei Sanasam Leikai.

*-O.P. Party*

**ꯅꯣꯇꯤꯁ/NOTICE**

The 17/02/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার সনসম জীতেন সিংহ, পীং মৃ: সনসম মোহেন্দ্রো সিংহ, সাং শিংজমৈ সনসম লৈকাইগী মিংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নং ৪৫-কমেংগী অনৌবা পাট্টা নং ৪৮৫/৮৮২, দাগ নং ১১৬৩/১৪০৪ অমসুং এরিয়ানা ০.৩১ চাওবা ইশ্বোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা ইশ্বোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

*Sd/-* **N. Shantabir Singh**
Sub-Deputy Collector IW: Lamsang

*HL-P/3217/19*

**/অমাঙথোংগী অকোয়বদা থাগৎলগা খোঙ হাম্বদা চেকখায়রগা ঈ থোক্লকপা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী অমাঙথোং খুজিল্লগা য়াম্না ৱাবা অমদি নাবা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা ফহনবগী ওজা এম ভি অজাদ ফুসমবু থাগৎচরি**



ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাঙথোংগী অকোয়বদা থাগৎলগা খোঙ হাম্বদা চেকখায়রগা ঈ থোক্লকপা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী অমাঙথোং খুজিল্লগা য়াম্না ৱাবা অমদি নাবা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, পুক্তা গ্যেষ্ট্রিক কারগা পুক মনুংদা মতুম ওইনা কোইচেন চেল্লগা নাবা, গ্যেষ্ট্রিক অদুনা থবাক্তা চেনখৎলগনা থবাক্তা চক চক থিল্লগা থবাক অমুক নাবা, খ্বাঙ নাবা, ফন্থী ৱাৎপা, নুপা নুপীগী মরি লৈননিংবগী ৱাখল ইরৈ লৈরক্তবা, হকচাং পাঙ্গল শোন্থরকপা, তুম্বা য়াদবা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, চাবা তুমদবা, চাকখাও শোকপা, হৈনিং শিংনিংদবা তৌরম্বা অদু **MV AZAD PHUSAM** ☎ 7628890261, 8014025567 দা চৎতুনা লায়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবা নুংঙাইতবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজা এম ভি অজাদ ফুসম্বু মপোকসিমগী কাউঙল্লরোই।

*ওজাগী লায়েংফমশিংদি :*

1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (Sat, Sun, Monday only open)
3. Yairipok Tulihal Lai Manai Shanta Bazar

*থাগৎচরিবী :* **Mk. Rashijan**
*Phoubakchao*

*HL-P/510/19*

**IN THE COURT OF THE SUB: DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG**

*Ref:- Mut. Case No. 210/SDC/IW-L/2018*

Sagolsem Ibomcha Singh S/o (L) Tolchou Singh of Lambal.

*-Petitioner*

*-Vs-*

Late Sagolsem Tolchou Singh S/o (L) Chaomacha Singh of Lambal.

*-O.P. Party*

**ꯅꯣꯇꯤꯁ/NOTICE**

The 17/02/2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার সগোলসেম তোলচৌ সিংহ, পীং মৃ: চাওমাচা সিংহ, সাং লম্বালগী মিংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নং ৫৪-লম্বালগী অনৌবা পাট্টা নং ১৮৭, দাগ নং ৩৩০/৪৬০ অমসুং এরিয়ানা ০.৬৩০০০ চাওবা ইশ্বোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা ইশ্বোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

*Sd/-* **N. Shantabir Singh**
Sub-Deputy Collector IW: Lamsang

*HL-P/3217/19*

**ADMISSION OPEN**

**ENGLISH COACHING**

*For*

- **COMPETITIVE EXAMS (Bank PO, Civil Service etc.)**
- **BOARD EXAMS (IX, X, XI & XII)**

*At*

**SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)**

**Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal**

**Contact Nos. ☎ 8974642764**

*HL-B/4501/17/2-24/3*

**STUDY MBBS IN CHINA**

**Admission for MARCH Session 2018 for CHINA**
**LAST CHANCE WITHOUT NEET (AIPMT)**
**(NEET Compulsory from September Session)**

* Approved by MCI.
* Indian syllabus and faculty in the Campus.
Note: Tuition and Hostel fee 2.10 Lac per years.
* Last Date of Admission 25 February 2018.

**Limited seats**

*PLZ Contact*: - Atawar Rahman, A.S. Education Trust, Khergao Thambalkhong, Near Cambridge School, Old Campus Imphal.

Contact Nos. : 8974084294, 9615706900, 8794249895.

*HL-B/4488/10-24Feb.*